# মনালৈবাক স্পোর্টস

FRIDAY, JANUARY 03, 2014, PAGE 7




*ব্রিজবেনি ইন্টর্নেসনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবী ব্রিল্লিয়মস অমদি সরাপোভা*

*রঞ্জি ট্রোফিগী মেটচ অমদা কর্নাতাকাগী মায়োক্তা রন লৌনবা হোৎনখিবা বিরেন্দ্র সেৱক*



## ব্রাজিলগী সিটি ১২ দা ৱার্ল্ড কপকী মেটচশিং শান্নগদৌরি

*গোরদিয়ান, জনুৱারী ০২ঃ*
ব্রাজিলনা অহানবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকি য়ুম্বু ইং ১৯৫০ দা ওইদুনা মফম অসিদা সোক্করগী অচৌবা ইভেন্ট পাঙথোকখ্রবা মতুংদা চহী ৬৪ গী মতুংদা মফম অসিমক্তদা অমুক হন্না ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসি হন্দক্কি চহী ২০১৪ অসিদা পাঙথোক্কদৌরি।

অহানবা ওইনা ১৯৫০ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ফিফাগী রুলগী মতুং ইন্না শুপ্নগী টিম ১৬ খক্না শরুক য়াদুনা ৱার্ল্ড কপ অসি পাঙথোকখিবনি। হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদনা টিম ৩২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরি।

ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা লৈবাক অসিগী সিটি ১২ দা ৱার্ল্ড কপকি ইভেন্টশিং অসি পাঙথোক্কনি। সিটি ১২ অসিদা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক্তা অনৌবা ষ্টেদিয়ম ৬ নৌনা শেম শাবা লোইশিল্লক্লি। নৌনা শেম শারবা ষ্টেদিয়মশিং অসিগা লোয়ননা হান্নগা লৈবাক অসিদা লৈজবা ষ্টেদিয়ম ৬ অমগদা মেগা ইভেন্ট অসি পাঙথোক্লবগী থবক থৌরমশিং খুমাং চাউনা চঙশিল্লি হায়বা য়াই।

পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ওইনা ফিফানা পার্থনরসিপ ওইনা তোঙান তোঙানবা কম্পেনি খরদসু অয়াবা পীখ্রে। অয়াবা ফঙলবা কম্পেনিশিং অদুদি এদিদাস, কোকি, সোনি, ভিসা অমদি মেকদানালসতা পীখ্রে অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোলগী ওইবা অচৌবা এক্সট্রা ভেগেঞ্জা অসিগীদমক ঈশৈ নোংমাইগী ওইনা সামসুংনা ঈশৈগীদমক্তা মীওই কয়াদগী কেম্পেন তৌন্নবা ঈশৈশিং সমিট তৌন্নবা মখোয়না শকখিবা ঈশৈশিং অমদি মখোয়না পীনিংবা অনৌবা মওংগী ঈশৈ কয়া অদু চাংয়েং তৌন্নবা থাগৎলক্লবা খঙহল্লক্লি।

ব্রাজিলগী ওইনা নৌনা শাগৎলিবা ষ্টেদিয়মশিংগী মনুংদা মনুসতা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অসিগী হ্যুমিদিটি অসি চাউরাক্লা চাদা ৮০ নি। মফম অসি য়াম্না নীংথিজবা অমসুনি হায়রি।

অতোপ্পা মফমশিংগী মনুংদা আটলান্টক কোস অমদি অমাজোনিয়া হায়বা মফমশিং অসিসু মরু ওইবা মফমশিংনি। মসিগী মথক্তা বেলো হোরাইজোন হায়রিবা মফম অসিদা ইংলেণ্ডনা অচৌবা ৱেফ অমা শাগৎখিবা মফমনি। মতম অদুদা হায়রিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা ইংলেণ্ডনা য়ু এস এবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি।





ব্রাজিলদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ২০১৪ অসি আউথ আমেরিকাদা চহী ৫০ গী মতুংদা পাঙথোকপা অচৌবা স্পোর্টসকি মেগা ইভেন্ট অমা ওইগদৌরি। মসিদা চাউরাক্লা মফম অসিদা লৈবা মীয়াম্না টিকেট ফংহন্নবগী অকনবা থৌরাং অমসু লৌখৎলি। ব্রাজিলগী মীয়ামদা অচৌবা মেগা ইভেন্ট অসিগী টিকেট অসি ফংহল্লবা মতুংদা মখোয় মখোয়গী তলবকি পৈশাদগী টিকেটকি মমল অদু মীওইশিং অদুনা ফংলিবা তলব অদুগী এভরেষ্ট য়েংলগা কক্কনি হায়রি।

অমরোমদা ব্রাজিলগী মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা রিও দ জেনিরো হায়রিবা মফম অসি ব্রাজিল ম্যুনিসিপালগী মখাদা লৈবা য়াম্না মশক নাইবা মফম অমনি। মসিদা মীওই লীশিং ৩০ রোম্না খুন্দারি। মফম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগা মরী লৈননা মফম অসিদা লৈরিবা ব্রাজিলিয়ানগী মার্কেটশিংদসু মতম মতমগী ওইবা কোল্ডড্রিঙ্ক কয়া ফঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। মরু ওইনা কোকা কোলানসু মখোয়গী থক্নবা কোল্ডড্রিঙ্ক অসি ফঙহনগনি হায়বগী থাজবসু পীরি।

গেম অসিদা শান্নগদৌরিবা বোল অয়াম্বা অসি ব্রাজুকা হায়না খঙনবা বোল অসিনা মেটচকি বোল ওইগনি। মসি চাউরাক্লা পাউন্দ ৯৮ গী চাঙদা লৈ। অদুমওইনমক কম্পেনি অসিদা সপ্লাই পীরক্লিবা বোলশিং অসি ব্রাজিলদা লেম্না ফঙহল্লকপগা চপ মান্নে। মরমদি মসিগী চাদা ৯৫ ফ্রি ওইবগী মওংদা খনগৎলবা শান্নবদা কমপ্লেন লৈররোইদবা টেষ্ট তৌরবা বোল ঙাক্তনি হায়রি।

## মহারাষ্ট্রনা আসাম থোইখ্রে

*গুৱাহাটি, জনুৱারী ০২ঃ*
ঙসি গ্রুপ সিগী মেটচ অমা ওইনা মফম অসিদা শান্নখিবা রঞ্জি ট্রোফিগী মেটচ অমদা মহারাষ্ট্রনা য়ুম্বু ওইরিবা আসামবু রন ১২৮ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা টিম অসি ট্রোফি অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙবা টিম ওইখ্রে।

রঞ্জি ট্রোফি অসিগী গ্রুপ লীগকি মেটচ ওইনা শান্নবদা মহারাষ্ট্রনা মখোয়গী গ্রুপ লীগ মেটচতা মেটচ ৮ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩৫ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী মেটচ ওইনা শান্নখিবদা মহারাষ্ট্রনা থল্লিবা রন অদু আসামনা লৌনবা হোৎনখি। অহানবা ইনিংসতা মহারাষ্ট্রনা রন ৩৬১ লৌখি, অদুগা অনীশুবা ইনিংসতা রন ১৩৪ পুন্না রন ৪৯৫ লৌখি। আসাম্না অহানবা ইনিংসতা রন ১৫২ খক্তমক লৌবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা ইনিংসতা রন ২১৫ লৌখি।

মহারাষ্ট্রনা থল্লল্লিবা রন অসি লৌবা ঙমদবগা লোয়ননা আসাম মায়থীখিবনি। অনীশুবা ইনিংস অসিদা আসাম্না লৌগদবা রন অসি ২৫০ নি। মতম অদুদা মখোয়না শুপ্নগী ৱিকেট ৬ খক্তমক খুত্তা লৈখি। মরিশুবা নুমিত্তা আসাম্না রন ২১৫ খক লৌবা ঙমখি অমদি টিম অসিগী লেফ আর্ম স্পিন্নর অসিনা রন ৮৪ লৌখিবগা লোয়ননা মেদিয়ম পিচর শ্রীকান্ট মুন্দেনা রন ২৮ লৌবা ঙমখি।

## আই সি সিনা টি ভি অম্পয়ার শীজিন্ননবা মীৎয়েং থল্লি

*অবু দাবি, জনুৱারী ০২ঃ*
ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা টি ভি অম্পয়ারগী সিষ্টেম অসি ক্রিকেট মেটচশিংদা থম্ননবা থৌরাং তৌবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাঙদা দিসিজন লৌখ্রে হায়রি।

থৌরাং অসি আই সি সিগী অম্পয়ারশিংগী পেনেল মেম্বর অমা ওইরিবা সিমোন টফেলনা ওফিসিয়েটিং রিপ্লে সিষ্টেম (ও আর এস) অসি শীজিন্নবগী দরকার লৈরে। মসি ঐখোয়না হোক আই হায়না শীজিন্ননবা অপাম্বসু সাইমননা ফোঙদোকখি।

থৌরাং অসি হৌজিক শ্রীলঙ্কা অমদি পাকিস্তানগী ওইবা টেষ্ট মেটচ শান্নবা অসিদা সেদো অম্পয়ারগী মীৎয়েং অসি দরকার লৈরকপদগী ও আর এস অসি শীজিন্নবা মতম ওইরে হায়বসি ফোঙদোকখি।

টি ভি অম্পয়ার নৎত্রগা হোক আই হায়না খঙনগদৌরিবা সিষ্টেম অসি চৎনবদা ফিল্ড মনুংদা কেমেরা ১৬ খিন্দুনা থম্বগী দরকার লৈ। কেমেরা ১৬ অদু অচৌবা মোনিটর অনীদা তোঙান তোঙানবা এঙ্গলগী নৎত্রগা দিরেক্সনগী মতুং ইন্না দিসাইদ তৌহন্নিংবগী অপাম্বসু থমখি। হৌজিক হৌজিক্কি ওইনা চৎনরিবা মওং অসিদি মোনিটর অমা কক্তা মেকেরা অমা খক্না লৌরকপা অদু য়েংলগা টি ভি অম্পয়ার সুন্দরাম রবিনা মহাক্কী দিসিজন অদু গ্রাউন্দা লৈরিবা অম্পয়ারদা খঙহল্লকখিবনি।

মসিদা খুদোংচাদবা কয়া অমা থোরকপা য়াবদগী সিমোননা মেটচ শান্নরিবা মফম অদুদা য়ামদ্রবদা কেমেরা ১৬ খিল্লগা ক্লিপ্পিংশিং অদু অচৌবা মোনিটর অনীদা কুপ্পা য়েংলগা ফিল্ডদা লৈরিবা অম্পয়ারশিংদা চাউনা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়বগী ৱাফমসু মহাক্না পনখি।

ও আর এস অসিনা টি ভি অম্পয়ারদা চাউনা মতেং পাংবা ঙমগনি অমদি দিসিজন পীবদা য়াম্না খুদোংচাগনি অমসুং থুনা খঙহনবদা মতেং পাংগনি। মসিগী মথক্তা বোল্লরনা হুল্লিবা বোল অদু নো বোল–লা নৎত্রগা ক্লিয়ার কৎলা হায়বদুসু মসিগী মতেঙনা খঙবা ঙমগনি হায়খি।

## চেন্নাই ওপনদগী যৌহনি ৱিথদ্রো তৌখ্রে

*চেন্নাই, জনুৱারী ০২ঃ*
এয়ারসেলনা স্পোন্সচর তৌদুনা চেন্নাইদা চথরিবা এয়ারসেল চেন্নাই ওপন মেটচকি ঙসি শান্নবা মেটচ লোইদ্রিঙৈদা রুসিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ১৫ দা লৈরিবা মিখেল য়ৌহনি মশা ঙমদবদগী পোত্থখ্রে।

অহানবা সেটতা মহাক ইজরেলগী দুবি সেলাগী মখুত্তা ১–৩ দা লৈরবা মতমদা চখাউগী আনাবা অমনা মরম ওইদুনা শান্নবা অসিদগী পোত্থরগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মহাক মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওবা পাম্মী অদুবু চখাউগী অনাবা অসিনা মরম ওইদুনা শান্নবা ঙম্লরোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। মহাক্না মহাক্কী থৌনা পুথোক্তুনা কন্না হোৎনরম্মী। মহাক্কী অনাবা অসি মমাঙগী চয়োলদা থাইলেণ্ডদা চৎলুবদগী হৌরকখিবনি, মসি মখা তানা মফম অসিদসু নারকপা অসিনা ভাইরসনা শন্দোকপা লায়না অমা ওইগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা জর্ম্মনগী বেঞ্জামিন বেক্করবু ৬–৩, ৬–১ দা মায়থীবা পীরবা মতুংদা ষ্টেনিংসেল ৱারিঙ্কানা মখা তাবা মেটচশিং শান্ননবা শেম শাদুনা লৈখ্রে। ঙসিগী মেটচ অসি মহাক্না য়াম্না লাকচনা জর্ম্মনগী শান্নরোই অসিদগী থোইখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইং ২০১৩ দা মহাক টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখি। ঙসিগী মেটচ অসিসু মহাক্কী ওইনা য়াম্না নীংথিজনা মায় পাকনা হৌখি অমদি মহাক্কী পার্ফোমেন্স অদুদা মহাক্না পেঞ্জখি। মহাক্না মখা তাবা মেটচ ওইনা স্লোভেকিয়াগী অলজাহ বেদেনিগা শান্নগনি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং অদুদা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি রোজর বেসিলিননা জিরি বেসলিবু ৬–৪, ৬–৪ দা, দুবি সেলানা নিখেল যৌহনিবু ৩–১ দা, অলজা বেদেনিনা আলেকজেন্দর কুরদেয়া বেটসপু ১–৬, ৩–০ দা মহাকসু মেটচ অসিদু পোত্থখ্রে।

দবলগী অহানবা রাউন্দা মায় পাক্লবা শান্নরোইশিং অদুদি জোন ব্রনষ্টোমনা অমদি ফেরিদেরিক নিসিলনা থোমাস পেদনারেক অমদি মীহাইল এলজিনবু ৬–৩, ৬–৩ দা মেরিন দারগেনিয়া অমদি মেটি পেবিকনা লেন্দর পেস অমদি ফেবিও ফোগনিনিদগী ৱার্কওভর লৌখি। এন্দ্রি বেগেমান অমদি মার্টিন ইমরিচনা জোনাথন ইরিজ অমদি এন্দি রামবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইখি।

## ঈশ্বর পান্দে ইন্দিয়ান টিমদা খনখ্রে

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারী ০২ঃ*
ঈশ্বর পান্দেনা ইং ২০১৩ দা শান্নখিবা রঞ্জি ট্রোফিদা মহাক্না মহাক্কী টিমগীদমক লৌখিবা থৌদাং অদুবু শক খঙবগা লোয়ননা বি সি সি আইনা ইন্দিয়া টিম্না ন্যুজিলেণ্ডদা চহী অসিদা চৎকদৌরিবা টুর অসিগী ওইনা মহাকপু খনগৎলে হায়রি।

মহাক্না টিমগীদমক্তা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শক খঙবিদুনা লৈবাক অসিগী টিমদা য়াওন্নবা খল্লকখি। টিম অসিনা টেষ্ট মেটচ অমদি ৱান ডে ইন্টর্নেসনেল কয়া শান্নবদা মহাকসু অচৌবা থৌদাং অমা লৌরক্কনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা টিম ইন্দিয়াগী মীহুৎ অমা ওইনা খল্লকখিবনি।



রঞ্জি ট্রোফিদা মহাক্না খ্বাইদগী য়াম্না ৱিকেট লৌবা শান্নরোই অমা ওইরি। মহাক্না ইন্দিয়া টিমদা খল্লকপদা হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মমাঙদা মহাক ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেটর অমা ওইনবগী মঙলান কয়া লৈরকখি হায়না ন্যুজ চেনেল অমগা উন্নবদা ফোঙদোকখি।

ন্যুজ চেনেল অদুগা উন্নবদা মহাক্না হায়খি, মহাকপু টিম ইন্দিয়াদা খল্লক্লে হায়বা অসি মহাক হান্না খঙলমদে। মহাকপু খল্লে হায়বা মতম অদুদা মহাকপু অপোকপা অসি মাগী রুমদা তুমদুনা লৈ। পুং কয়ারোমগী মতুংদা মহাক ইন্দিয়া টিমদা খল্লে হায়বসি খঙখিবনি।

পান্দেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ২০১২ অমদি ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা রঞ্জি ট্রোফিগী সিজনদা মহাক্না লৌখিবা ৱিকেট অসি ৪৮ নি। মসি চাংচত্তা ২১.০৬ নি। হৌজিক চথরিবা রঞ্জি ট্রোফি অসিদসু মহাক্না গেম নিপাল শান্নবদা ৱিকেট ৩০ লৌবা ঙমখি। মসি চাংচত্তা ২৪.৭৬ নি। অদুগা মহাক্না বেট পায়দুনা শান্নবদা রেৱেগী মায়োক্তা রন ৮৪ লৌবা ঙমখি।

মহাক্না লংখিবা বোলশিং অদু মেদিয়ম পিচ ওইরগসু বোল অয়াম্বা গুদ বাউন্স তৌখি অমদি গুদ লেঙ্কতা তাখি। মহাক্না লংখিবা চাং অসি পুংদা কিলোমিটর ১৩০ গী মনুংদনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পান্দেগী অপোকপা অসি আর্মিগী সুবিদার মেজরনি। মহাক্কী মপানা মচানুপা অহল অসিবু ক্রিকেট শান্নবা পামদে। মহাক লাইরিক নিংথিনা তমহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক মহাক্কী কোচ ওইরিবা এন্থোনিনা ইমুং মনুংদা নিংথিনা হায়নরবা মতুংদা ক্রিকেটকি লমদা চঙশিল্লকপদা অয়াবা পীখিবনি। মহাকপু ইন্দিয়া টিমদা মাঙজৌননা সেলেক্সন লৌরম্লগদি নুমিৎ নীনী হুমনিগী মনুংদা ৱিকেট ১১ দি ইন্দিয়াগীদমক লৌরম্লগনি।

## কর্নাতাকানা দিল্লী মায়থীবা পীখ্রে

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারী ০২ঃ*
কর্নাতাকানা হোষ্ট দিল্লীবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা রঞ্জি ট্রোফিগী গ্রুপ অসিগী মকোক ওইবা ঙমখ্রে। টিম অসিনা মেটচ ৮ শান্নবা লোইখিবদা পোইন্ট ৩৮ ফংবা ঙমখি।

মপালদগী লাকপা কর্নাতাকা টিম্না হোষ্ট টিমগী ফিল্ডদা শান্নখিবা মেটচতা নীংথিনা মায় পাকপগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেলদসু চঙবা ঙম্বা টিম অমা ওইখি। মসিনা কর্নাতাকাগী ওইনা ট্রোফি অসিগী ৫ রক শুবা মায় পাকপা মেটচ ওইখি।

দিল্লীনা মখোয়গী ইনিংসতা রন ২০১ লৌদুনা থল্লমখি। অদুবু কর্নাতাকাগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না নিংথিনা হোৎনদুনা শান্নরকখি। মখোয়না থনল্লিবা রন অদু ওভর ২৯ দা মায় পাকপগা লোয়ননা দিল্লী টিমবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখিবনি। কর্নাতাকা টিমগী ওপনর ওইরিবা ময়ানক অগ্রাৱালনা দিল্লীগী স্পিন্নরগী বোল ৯৬ মায়োক্লদুনা রন ৬৮ লৌবগা লোয়ননা টি ব্রেককি মমাঙদা মেটচ লোইশিনখি।

ওপনর অসি রোয়েল চেলেঞ্জ বেঙ্গলোরগী শান্নরোই অমা ওইনা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াবদা মহাক্না ৪ তরুক অমদি ৬ অহুম য়ৈখিবা শান্নরোই অমনি। ঙসিগী মেটচ অসিদসু মহাক্না মহাক্কী টিমগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নখি।

দিল্লীগী মায়কৈদা বিরেন্দ্র সেৱকনা য়াম্না নিংথিনা শান্নরম্মী অমসুং কর্নাতাকাগী শান্নরোইশিংনা দিল্লীগী ৱিকেটশিং লৌথোক্তুনা মায়থীবা পীরমখি। কর্নাতাকাগী মায়কৈদা বোল্লরশিংনা লৌখিবা ৱিকেটশিং অদুদি রোহিট মোরেনা রন ৩৯ পীরগা ৱিকেট ৩, ঐচ এস সরাথনা রন ৩৫ পীরগা ৱিকেট ৩, শ্রীয়াস গোপালনা রন ২৩ পীরগা ৱিকেট ৩ অদুগা লেফ আর্ম স্পিন্নর অব্রা কাজিনা রন ১৮ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখিবনি।

ঙসি অরোইবা নুমিৎ ওইনা শান্নবদা দিল্লীনা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩২ দগী শান্নবা হৌখি অমসুং দিল্লীগী ৭ শুবা মেটচ অদু কর্নাতাকানা নিংথিনা রন অমা ফাওবা লৌবা ঙমদ্রিঙৈদা আউট ওইহনখি। টিম অসিগী শান্নরোই মিলনকুমারসু বোল ১০০ দা রন ৩১ লৌদুনা মায় পাকপদা মতেং পাংখি।

## সরাপোভা, সেরিনা ৱিল্লিয়মস সেমিফাইনেল থেংনরগনি

*ব্রিজবেনি, জনুৱারী ০২ঃ*
রুসিয়াগী শান্নরোই মরিয়া সরাপোভানা কাই কেনেপিবু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা আমেরিকাগী শান্নরোই সেরিনা ৱিল্লিয়মসকা ব্রেজবেনি ইন্টর্নেসনেলদা থেংনরগনি।

সেরিনা ৱিল্লিয়ম্না স্লোভেকিয়াগী দোমিনিকা চিবুল কোভাবু মিনিট ৬১ গী মনুংদা ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেটতা মহাক্না পোইন্ট অমা ফাওবা মাঙদনা মায় পাকখি।

নাকল অমরোমদা সরাপোভানা মহাক্না মায়থীবা পীরিবা অতোপ্পা শান্নরোই ষ্টোনিয়াগী কেনিপিগী মখুত্তা অহানবা সেট অদুদা মায়থীবা নংখি। অদুবু মহাক্না য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। পুং ২ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মহাক্না অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেট মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

সরাপোভানা ষ্টোনিয়াগী শান্নরোই অসিবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–২ দা মায়থীবা পীখিবনি। মেটচ অসি হৌবদা সরাপোভানা গেম মরি মায়থীবা নংখি। মসিদা মহাক্না সার্ভিস তৌবদা অহানবা সেটতা ইরর ওইখিবা অসি চাউরাক্লা ১৭ নি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা মায়থীবা নংখ্রবসু অহুমশুবা সেট অমদি অনীশুবা সেটতা মহাক্কী সার্ভিস অদু এক্যুরেট ওইবগা লোয়ননা চাদা ৮৮ মায় পাকপা ঙমখি। মায় পাক্লবা সরাপোভানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ওপোন্টে



ওইরিবা ইথোনিয়াগী কেনিপিবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মেটচ শান্নরিঙৈ মনুংদা মহাক্না হোৎনখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ষ্টোনয়াগী কেনিপিদগী মায় পাক্লবা রুসিয়াগী শান্নরোই অসিগা উন্নদুনা ৱারী শাবা পাম্বগী অপাম্বসু ৱিল্লিয়মসনা ফোঙদোকখি। সরাপোভানসু মহাক্কী লৌশিংনা কেনিপি মায়থীবা পীরম্লগা ৱিল্লিয়মসকা সেমি ফাইনেলসতা থেংনগনি হায়বা অসিদা নুঙাইবা অমা পোকখি। আমেরিকানগী শান্নরোই অসি হন্দক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শোকপনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা পোত্থদুনা লৈরুরবা শান্নরোই অমনি।


# ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

**ADMISSION OPEN FOR** | **MOCK TEST 2014**

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
| --- | --- |
|  MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
|  SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
|  RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
|  MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
|  VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
|  REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
|  S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
|  CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
|  S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
|  BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
|  Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
| --- | --- | --- |
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726